প্রাইম মিনিষ্টরনা করম্বা মতমদা চাইনা, পাকিষ্টানগা লান তৌনগনি হায়বদু মতম লেপ্লে হায়রি

বল্লিয়া, ওক্টোবর ২৫ ঃ

য়াম্নমক ৱাথোক ওইবা য়াবা ৱাফম অমদা উত্তর প্রদেশকী বি জে পি লুচিংবা স্বাতন্ত্র দেব সিংহনা ফোংদোকখিবদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লৈবাক অসিনা করম্বা মতমদা পাকিষ্টান অমসুং চাইনাগা লান তৌনগনি হায়বদু মতম লেপখ্রে হায়রি।

মহাক্না ফোংদোকখিবা ৱাফম অদু ইন্দিয়া অমসুং চাইনা অনিগী মরক্তা লৈবা লাইন ওফ একচুয়েল কন্ট্রোলগী মফম কয়াদা উংখৎনরিঙৈ চৈরক্তা হায়খিবনি।

উত্তর প্রদেশকী বি জে পি লুচিংবা অদুনা তৌরিবা ক্লেম অদু সুপ্রিম কোর্টকী ৱারেপ অমগী মতুং ইন্দুনা অযোধ্যাদা রামগী লাইশঙ শাগৎলকপা অমদি কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ৩৭০ গী মখাদা জম্মু এন্দ কাশ্মীরদা পীরম্বা স্পিসিয়েল ষ্টেটস লৌথোকখিবগা মরি লৈনহল্লি।

মহাক্কী ৱারোলদা রাম মন্দির অমসুং আর্টিকল ৩৭০ গী মতাংদা লৌখিবা ৱারেপশিংগুম্না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা করম্বা মতমদা পাকিষ্টান অমসুং চাইনাগা লান তৌনগনি হায়বদু মতম লেপখ্রে হায়রি।

মহাক্না ফোংদোরকপা ৱাফম অদু ভিদিও ক্লিপ ওইনা সোসিয়েল মেদিয়াদা চাইথোনরকখি। মহাক্কী ৱারোলদা মতম লেপখ্রে হায়না হিন্দিদা ফোংদোরকখি। মহাক্কী ৱাফম অসি বি জে পিগী এম এল এ সঞ্জয় যাদবকী ময়ুমদা পাংথোকপা থৌরম অমদা ৱা ঙাংলদুনা হায়খিবনি। মদুগী ভিদিও ক্লিপ এম এল এ সঞ্জয় যাদবনা থাদোরকখিবনি।

ৱা ঙাংবা মতমদা বি জে পি লুচিংবা অদুনা সমাজৱাদি পার্টি অমসুং বাহুজন সমাজ পার্টিগী ৱার্করশিংবু টেরোরিষ্টশিংগা চাংদম্নখি। মহাক্না ফোংদোকখিবা ৱাফম অদুগী মতাংদা করি মট লৈবগে হায়না হংবা ৱাহংগী পাউখুমদা লোকেল এম পি রবিন্দ্র কুসৱারানা ফোংদোকখিবদি য়ু পিগী বি জে পি প্রসিদেন্ট অদুনা মখোয়দা পার্টিগী ৱার্করশিং মোরেল ৱাংখৎনবা ৱাফমশিং ফোংদোকখিবনি হায়রি।

স্বাতন্ত্র দেব সিংহগী ৱারোল অদুগা ইন্দিয়ানা লৌরিবা ফিরেপকা তাইওন্নবগুম তৌরি। ঙসিমক্তদা দিফেন্স মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা অমুক হন্না ফোংদোরকখিবদি ইন্দিয়ানা চাইনাগা লোয়ননা ঙমখৈদা উংখৎনবা লোইশিনবা পাল্লি। অদুমকপু মীওই অমত্তনা লম মচেৎ অমত্তা লৌবদা অয়াবা পীরোই হায়না ফোংদোকখি।

নাকল অমরোমদা দিফেন্স মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা ঙসি ফোংদোকখিবদা লাইন ওফ একচুয়েল কন্ট্রোল (এল এ সি) দা ইন্দিয়ানা শান্তি হনজিলহনবা পাম্মি। অদুমকপু ইন্দিয়াগী আর্ম ফোর্সশিংনা মখোয়গী লম অমত্তা চাইনাদা পীরোই হায়না পনখি। ৱাফম অসি মহাক্না খুৎশু খুৎলাইশিংগী পুজা হায়বদি সস্ত্রা পুজা অমা সিলিগুরিদা লৈবা মরু ওইবা মিলিটরি বেজ অমদা পুংথোকপা মতমদা ফোংদোকখিবনি।

সিলিগুরিদা লৈরিবা মিলিটরি বেজ অদুনা সিকিম সেক্টরদা লৈরিবা ঙমখৈ ঙাকপগী থবক তৌরিবনি। ইন্দিয়ান আর্মিগী ৩৩ কোরগী সুকনা বেজ হেদক্কার্টরদা থৌরম অদু পাংথোকখি। মদুগা লোয়ননা দিফেন্স মিনিষ্টরনা সিকিমদা লৈবা এল এ সিগী হাই অলটিচ্যুদ বোর্দর এরিয়াদা চৎকনি পনখি।

চাইল্ডলাইন থৌবালগী টিম মেম্বরশিংদা অকি অখং পীরম্লে, পেন্দবা ৱাফম ফোংদোরক্লি

থৌবাল, ওক্টোবর ২৫ ঃ

চাইল্ডলাইন থৌবালগী টিম মেম্বর অহুমনা চাইল্ড মেরিয়েজ অমগী মতাংদা ঙরাং নুপীময়ুমদা ৱারী শান্নবা চৎলুবা মতমদা নুপী ময়ুমগী মীওইশিং অমদি লৈকাইগী মীওই কয়া য়াওনা মখোয়বু ফাজিল্লগা অকি অখং পীরক্লে। অসিগুম্বা থৌওং অসি মতুংদা অমুক হন্না তৌগনু হায়না চাইল্ডলাইন থৌবালগী টিম মেম্বরশিংনা ফোংদোরক্লি।

ঙসি ৱাংজিংদা লৈবা চাইল্ডলাইন থৌবালগী শঙদা পাংথোকপা পাউগী মীফম অমদা লাইবকথিবা থৌদোক অদুগী মতাংদা হকথেংননা য়াওরুবা শরাংথেম সোবিতানা হায়খিবদা চাইল্ডলাইন থৌবালদা ওক্টোবর ২২ গী নুমিদাংদা ইমর্জেন্সি হেল্পলাইন নম্বর ১০৮৯ গী খুথাংদা চাইল্ড মেরিয়েজগা মরি লৈনবা কেস অমগী কমপ্লেন্ট লাকখি। মদুগা মরি লৈননা চাইল্ডলাইনগী রুটিন কেস ইন্টরভেন্সনগী শরুক অমা ওইনা ওক্টোবর ২৩ দা দিষ্ট্রিক্ট চাইল্ড প্রোটেক্সন য়ুনিট থৌবালগী টিম অমা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী এল পি ও অমদি সি এম পি ওগী থবক পুরিবা লিগেল কম প্রোবেসন ওফিসার চান্দেলগা লোয়ননা টিম অদুনা হৈরোক কবো লৈকাই থৌবাল দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা লৈখ্রাকপম রাধামনি সিংহ কৌবা মীওই অমগী ময়ুমদা চৎখি। অদুমকপু হায়রিবা মীওই অদু উন্নবা ফংলকখিদে।

অতোপ্পা ইমুংগী মীওইশিং উন্নদুনা চহি শুদবা অঙাং লুহোংবা হায়বসি দ প্রোহিভিসন ওফ চাইল্ড মেরিয়েজ এক্ট ২০০৬ কী মখাদা অয়াবা পীদে। লুহোংবগী থৌরাং তৌদনবা ৱারী শান্নরমখি।

লোয়ননা চহি শুদনা লুহোংবনা তুংদা অঙাং মশাগী হকশেলদা ইমুং মনুং অমদি সমাজদা পীরক্কদবা চৈথেং কয়াগী ৱারী শারম্লগা অঙাং অদুবু সি দল্লিয়ু সি থৌবালদা পুথোরক্কবা হায়রম্লগা থোরকখি। লম্বীদা কাইরেনবীখোক্তা লৈবা লাইশ্রম প্রেমজিৎ কৌবা মীওই অমগী য়ুমদা চৎতুনা মথক্কী অসুম্না ৱারী শারমখি। ওক্টোবর ২৪ দা রাধামনি সিংহগী য়ুমদা টেলিফোন্দা সি দল্লিয়ু সিদা অঙাং অদুবু পুথোরক্কবা হায়খি। মদুদা মহাক্কী য়ুমদা ৱারী নিংথিনা শান্নসি হায়দুনা থৌবালগী চাইল্ডলাইন টিম কৌরকখি। টিম মেম্বর ইঙোচা সপ্না য়াওনা সোবিতানা ৱারী শান্নবা চৎখি। মফম অদু য়ৌবগা মখোয় অহুমবু কা অমগী মনুংদা থোং লোনশিন্দুনা থম্লগা মোবাইল ফোনশিং মুনখি। মফমদুদা লৈরম্বা মীয়াম ওমশিল্লত্তুনা অথিবা ৱাহৈ কয়া হায়দুনা হাৎলগা থাখো, খুলগী মীয়াম্না হাৎখিবনি হায়রগা লোইরে, কনানা করি তৌদোইনো, চাইল্ডলাইন্দি পৈশা চাবনি হায়বনচিংবা ৱাহৈ কয়া হায়রকখি হায়রি।

মসিগুম্বা থৌওং কয়া চথরকপদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী টিম মরু ওইনা এস পি ডাঃ এস ইবোমচা, হৈরোক পুলিস ষ্টেসনগী ও সি প্রেমজিৎনা মতম চানা লাক্কুনা রেস্ক্যু তৌখি হায়রি।

ইন্দিয়ান কোরোনা ভাইরস ফগৎলকপগী চাংচৎ অসি চাদ ৯০ ওইরি

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ২৫ ঃ

ইন্দিয়াগী কোরোনা ভাইরসকী অপুনবা কেস মসিং ৭৮,৬৪,৮১১ য়ৌখ্রে। নোংমগী মনুংদা নৌনা ইনফেক্সন ৫০,১২৯ ওইখিদুনা লৈরি অমদি নৌনা মীওই ৫৭৮ শিখিবগা লোয়ননা পুন্না শিখিবা মীওই মশিং ১,১৮,৫৩৪ নি।

হৌজিক লৈরিবা অপুনবা এক্টিব কেসকী মশিং ৬৮০৬৮০ নি। মদুগী মনুংদা মহারাষ্ট্রদা কোরোনা ভাইরসকী কেস মশিং ১৬৩২৫৪৪, অন্ধ্র প্রদেশতা ৮০০০০০, কর্নাতকাদা ৭৯৩৯০৭, টামিল নাদুদা ৭০৩২৫০ অমসুং উত্তর প্রদেশতা ৫৬৩৮৫৮ ওইদুনা খ্বাইদগী মকোক মথং ওইরি।

দল্লিয়ু ঐচ ওগী দাইরেক্টর জেনরেল পেদ্রোস অধানোম গ্রেবে য়েসসনা ফোংদোকখিবদা হৌজিক মালেম অসি কোবিদ-১৯ গী য়াম্না মরু ওইবা ফিভম অমদা লৈরে। লৈবাক খরনা খুদোংথিনিংঙাই ওইবা লম্বীদা চংশিন্দুনা হেল্থ সার্ভিসকী থবক খুদিংমক নাচুংদবগী ফিভম অমা লাক্লি।

রিজার্ভ বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়াগী গভর্নর শক্তিকান্ত দাসনা হায়খিবদা কোরোনা ভাইরসকী অনিশুবা ৱেব অদুনা ফগৎলকপগী চাংগা মশিং হন্থহল্লকপা য়ারি। পেন্দেমিক অসিনা মাংহন তাকহনখিবশিং অমুক শেমগৎনবা হোৎনবদা চহি কয়া চংখিগনি হায়বা ৱাফম ফোংদোকখি।

হৌজিক ফাওবদা ইন্দিয়াগী ওইনা ভাইরস অসিদগী ফগৎলকপগী চাংদি চাদ ৯০ লৈরি। অপুনবা এক্টিব কেসকী চাংচৎনা চাদ ৮.৫ ওইরি। মেদিয়া রিপোর্টিংশিংগী মতুং ইন্না কোরোনা ভাইরসকী ভেক্সিন অমুক পুথোকখ্রবদি মদু অখন্নবা কোবিদ-১৯ ইম্যুনাইজেসন প্রোগ্রামগী মখাদা খ্বাইদগী তঙাইফদবা কাংলুপশিংদা দোজশিং হকথেংননা ফংহনগনি হায়রি।

মালেমগী ওইনা লৈরিবা কোরোনা ভাইরসকী কেস মশিংদি ৪২৯৪৪৬০৩ নি মদুগী মনুংদা ৩১৬৭০৩৮৬ না ফগৎপা ঙমখ্রে। লায়চৎ অদুনা মরম ওইদুনা মীওই ১১৫৪৮৪৯ শিখ্রে। মসিগী মনুংদা মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী শোকহল্লবা লৈবাক্তি য়ু এসনা ওইরি। লৈবাক অদুদা পুন্না কেস মশিং ৮৭৪৬৯৫৩ লৈরি। য়ু এসকী হেক মথংদা ইন্দিয়া, ব্রাজিল অমসুং রসিয়া লৈরি।

অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংগী ওইরিবা ফিভম

ষ্টেট	অপুনবা মশিং	এক্টিব কেস	শিখিবা	কিয়োর তৌরবা
অসাম	২০৩৯৬৭	২০২৭১	৯০২	১৮২৭৯৪
ত্রিপুরা	৩০২২১	১৯৯২	৩৪৩	২৭৮৮৬
অরুনাচল প্রদেশ	১৪২১১	২৩৯৭	৩৩	১১৭৮১
মেঘালয়া	৮৮৮২	১৫৭৪	৮০	৭২২৮
নাগালেন্দ	৮৫১৫	১৮১৭	৩০	৬৬৬৮
মিজোরাম	২৪৪৭	২৪৯	০	২১৯৮
সিকিম	৩৮১৯	২৬৬	৬৩	৩৪৯০

শৈদান্নবা সিজন-১ গী মনা মথুম য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৫ ঃ

এদুকেসন য়াওদ্রবদি চৎকদৌরিবা লম্বীদুদা মাইপাকপা ঙম্লোই হায়না এদুকেস্নিস অমদি সোসিয়েল এক্টিভিষ্ট ডাঃ এস মনাওতোন সিংহনা হায়খ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি পেলেস কম্পাউন্দ ইম্ফালদা লৈবা ইবোয়াইমা শুমাং লিলা শঙলেন্দা লৈমারোল শৈরোলনা শিন্দুনা পাংথোকখিবা শৈদান্নবা সিজন ৱানগী টোপ টেনগী মকোক মথং তারবশিংদা মনা মথুম য়েন্থোকপগী থৌরমদা হায়খিবনি।

মনাওতোন্না মখা তারদুনা পনখিবদি হৌখিবা মতমদা লমদম অসিদগী আর্টিষ্টশিংনা মপান থোক্লা চৎলকপা মীকুপ্তা ইশাগী কলচরবু শক তাকপদা এদুকেসন হায়বসি য়াম্না মরু ওই হায়খি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা এদুকেস্নিস অমদি সোসিয়েল এক্টিভিষ্ট ডাঃ এস মনাওতোন সিংহনা অথোইবা মীথুং, মনিপুরী য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরগী দিপার্টমেন্ট ওফ মনিপুরী লেঙ্গুয়েজ এন্দ লিটরেচরগী এসিষ্টেন্ট প্রোঃ মাখোন মনি মোংশাবনা অখন্নবা মীথুং অমদি অমিক্কী প্রসিদেন্ট শগোলশেম তিজেন্দ্রনা থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগী নুংগী ওইবা ৱারোল থম্লদুনা শক্লাইরবা ম্যুজিক দাইরেক্তর জিতেনকুমার নাওরেমনা হায়খিবদা লমদম অসিগী টেলেন্ট লৈরবা নহা কয়া পুথোকপিনবা লৈতবদগী অৱাবা কয়া অদুবু খজিক্তুং ওইরবসু মেনখৎপা ঙমগদ্রা খন্দুনা চাংদম্নবা অদু পাংথোকপনি হায়খি।

কোবিদ-১৯ পেন্দেমিক্লা মরম ওইদুনা লৈবদগী ওনলাইনগী খুথাংদা চাংদম্নবা অদু শিনখিবনি। মতেং পাংলকখিবা খুদিংমকপুসু থাগৎখি। চাংদম্নবা অদুদা শন্দম থাবতোন্না মকোক, থোকচোম নরেসকুমারনা অনিশুবা অমসুং লিন্থোই শগোলশেমনা অহুমশুবা তাখিবগা লোয়ননা কন্সোলেসন ৭ অমসু খনখি।

মতেং পাংখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৫ ঃ

ঙসি সেকমাই কেন্দ্রগী মনুং চন্না লৈবা কন্টেনমেন্ট জোনশিংদা কেন্দ্র অদুগী এম এল এ-ঐচ দিঙ্গো সিংহগী লিচিং মখাদা চান থক্লবা পোৎলমশিং মরুওইনা চেঙ, হৱাই, থাউ, থুম অমদি অচা অথকশিং য়েন্দুনা মতেং পাংখ্রে।

সেঞ্জম চিরাং, কান্তো সাবল অমদি কংলাতোংবী তিসবারিগী তোঙান তোঙানবা কন্টেনমেন্ট জোন্দা লৈবা য়ুমথোং ৬০ হেনবদা হায়রিবা পোৎলমশিং অদু য়েন্থোকখিবনি।

মখা তানা কেন্দ্র অদুগী কন্টেনমেন্ট জোন ওইরকপা মফমশিংদসু লায়চৎ অসিগী ভেক্সিন পুথোক্ত্রি ফাওবা মতেং পাংখিগনি হায়রি। এম এল এ-ঐচ দিঙ্গো সিংহনা মীয়ামদা গর্ভর্নমেন্টনা থল্লিবা কাংলোনশিং ঙাকপগা লোয়ননা মাস্ক উপ্পা, খুৎ শেংনা হাম্বা, সোসিয়েল দিষ্টেন্সিং থম্নবা আপিল তৌখি। কেন্দ্র অদুগী মনুংদা লৈবা লোকেল ক্লবশিংনসু গর্ভর্নমেন্টকী মতেং পাংনবা হায়খি।

লিটরেরি এৱার্দশিং লান্থোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৫ ঃ

পেত্রিওটিক রাইটর্স ফোরম মনিপুরনা চহি খুদিংগী আগষ্ট ২০, মনিপুরী লোলগী নুমিৎ থৌরমদা পীদুনা লাকখিবা তোঙান তোঙানবা এৱার্দ অহুম ঙসি মনিপুর অমদি গুৱাহাতি অসামদা পাংথোকপা থৌরম অমদা লান্থোকখ্রে।

ঙসি অয়ুক মনিপুর প্রেস ক্লব ইম্ফালদা পাংথোকখিবা থৌরমদা কুম ২০২০ গী ওইনা পাচা মীতৈ লিটরেরি এৱার্দ অইবী ক্ষেত্রিময়ুম শুবদনিনা ইবা ৱারী মচা 'লংজিল মাংখ্রবা লংদুম'দা পীখি। আর কথিং তাংথুল লিটরেরি এৱার্দনা অসেম মেমচানা ইবা ৱারী মচা 'সনাগী তকমাল' দা পীখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা এদুকেস্নিস অমদি সোসিয়েল এক্টিভিষ্ট ডাঃ এস মনাওতোন্না অথোইবা মীথুং, ফোরমগী প্রসিদেন্ট য়াইস্কুল খ্বাইরাকপমনা থৌরম মপু, সাহিত্য একাদেমী এৱার্দি সরতচান্দ থিয়ামনা অখন্নবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখি।

নাকল অমরোমদা পেত্রিওটিক রাইটর্স ফোরম গুৱাহাতি ব্রাঞ্চ অসামনা শিন্দুনা গুৱাহাতি প্রেস ক্লব অসামদা ঙসি অয়ুক পাংথোকখিবা এৱার্দ লান্থোকপগী থৌরমদা ডাঃ শারোজনালিনি অরাম্বম পারাদ লিটরেরি এৱার্দ অসামগী হোজাইদগী অইবা কে সি মঙাংনা ইবা ৱারী মচা 'পুন্সিগী মমল'দা পীখি। থৌরম অদুদা ফোরমগী গুৱাহাতি ব্রাঞ্চ অসামগী থৌনাওজম শ্যামনা থৌরম মপু, অসাম মনিপুরী সাহিত্য পরিষদ কামরুপ দিষ্ট্রিক্টকী ভাইস প্রসিদেন্ট কৈশাম হেমচন্দ্রনা অথোইবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি।

ফোরমগী তোঙান তোঙানবা এৱার্দ লাওথোকপা অদুগী মতুংদা সেক্রেটরি রাকেস নাওরেমনা হায়খিবদা ঙসি লান্থোকখিবা এৱার্দশিং অসি চহি খুদিংগী মনিপুরী লোলগী নুমিৎ আগষ্ট ২০ দা পীদুনা লাকপনি। অদুবু হন্দক চহিগী ওইনদি কোবিদ-১৯ গী পেন্দেমিক্লা মরম ওইদুনা থেংথখি হায়বা ৱাফম ফোংদোকখি।

পোৎলমশিং য়েনখ্রে

থৌবাল, ওক্টোবর ২৫ ঃ

নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়া দিভলপমেন্ট পার্টি (এন ঈ আই দি পি) গী ভাইস প্রসিদেন্ট ওইরিবা লাক্কদৌরিবা ১২ শুবা মনিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী মীখলদা পার্টি অসিগী টিকেটতা ৩৩-হৈরোক এসেমব্লি কন্সটিটুয়েন্সিদা মীরেপ ওইগদৌরিবা সোসিয়েল ৱার্কর এন দিতেনগী মীৎয়েং মখাদা হৈরোক কেন্দ্রগী কন্টেনমেন্ট জোন এরিয়া অমা ওইরিবা শলুংফম ৱার্দ নম্বর ১০ দা চান থক্লবা পোৎলমশিং য়েনখ্রে।

ৱার্দ নম্বর ১০ গী ইমুং ৩৭ অমসুং হৈরোক পার্ট টু নগর পঞ্চায়টকী ৱার্দ নম্বর ১ অমসুং ২গী এরিয়াশিংদা এন ঈ আই দি পি য়ুথ কম্মিটি হৈরোক্লা চান থক্কবা নোংমগী চংবা পোৎলমশিং য়েনখিবনি। য়েনখিবা পোৎলমশিং অদুদি থাউ, থুম, য়েরুম অমদি অলুনি। মমাংদসু কেন্দ্র অসিগী তোঙান তোঙানবা কন্টেনমেন্ট জোনশিংদা চান থক্লবা পোৎচৈ য়েন্থোকখ্রে, মখা তানসু য়েন্থোকখিগনি হায়রি।

ঈশিং থারক্লোই

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৫ ঃ

পব্লিক হেল্থ ইঞ্জিনিয়ারিং দিপার্টমেন্টকী ৱাটর সপ্লাই প্রোজেক্ট কন্সত্রক্সন দিভিসন, সব-দিভিজন নম্বর ১ গী চেরোল অমদা পোরোম্পাৎ ৱাটর সপ্লাই স্কিমগী মনুংদা লৈরিবা মীয়ামদা খংহল্লি।

মদুদি ইরিল ইনটেক পাইপ লাইনগী দাইমিটর এম এম ৪০০ কী দি আই রো ৱাটর শেমদোক শেমজিন তৌবনা মরম ওইদুনা নুমিৎ নিনি হুমনিদি ঈশিং থারক্লোই হায়রি।

মরম অদুনা এরিয়া অসিনা কোনলিবা মফমদা লৈরিবা ঈশিং শিজিন্নরিবা কঞ্জুমরশিংনা মতম অসি ফাওবা ৱারবসু ৱানা খাংবিনবা খংল্লক্লি।

ম্যুজিয়ম তমেংলোংদা শাবিয়ু

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৫ ঃ

ব্রুমেন ফ্রিদম ফাইটর রানি গাইদিনলিয়ুগী ম্যুজিয়ম মশাগী পোক্লফম তমেংলোংগী এরিয়াদা শাবিয়ু হায়না ওল জেলিয়াংরোং ওর্গনাইজেসন মনিপুরগী প্রসিদেন্ট মাইবোন পানমৈনা পাউমীশিংদা ফোংদোকখ্রে।

ঙসি লুপ অদুগী প্রসিদেন্ট মাইবোন পানমৈনা ইম্ফালগী নমদাইলোংদা লৈবা ওফিস্তা পাউমীশিংগা উন্নবদা হায়খিবদি লমদম অসিগী ত্রাইবেল এফিয়ার্সকী হান্নগী মিনিষ্টর ওইরম্বা কায়সিনা ব্রুমেন ফ্রিদম ফাইটর রানি গাইদিনলিয়ুগী ইন্দিয়া গভর্নমেন্টনা পীরকখিবা ম্যুজিয়ম অদু সেনাপটিগী এরিয়াদা শাগনি হায়না থৌরাং তৌরম্বদা য়েৎনদুনা লাকখিবনি।

হৌজিক লৈঙাক অসিগী ত্রাইবেল এফিয়ার্স মিনিষ্টর নৌনা ওইরক্লিবা বুংজাগিল বাইতেনা রানি গাইদিনলিয়ুগী পোক্লফম তমেংলোংদা থম্নবা লৈঙাক্লা সজেসন পীদুনা অথুবদা শান্নবা হোৎনবিয়ু। করিগুম্বা লৈঙাক্লা থবক্তা ওন্থোক্ত্রবদি লাক্লিবা নবেম্বর থাদগী খোঙজং কয়া চংশিন্নবা ওর্গনাইজেসন্না ফিরেপ লৌগনি হায়খি।

মতম খরা খোঙজং লেপকনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৫ ঃ

পি এম জি এস ৱাই দিভলপমেন্ট কম্মিটি চান্দেল দিষ্ট্রিক্টনা থাদোরকপা চেরোল অমদা কম্মিটি অসিনা ওক্টোবর ৫ দা লৈঙাংচীংদগী চোথে খুনৌ ফাওবদা লৈরিবা চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা মফম অদুদা লম্বী শেম্বগী মতাংদা মরি লৈনবা দিপার্টমেন্ট অমসুং কন্ত্রেক্টরদা পীখিবা এল্টিমেটমগী মতুং ইন্না চয়োল অমগী মনুংদা থবক হৌনবা খংহনখি।

হৌখিবা চয়োলদা লেপ্তুনা অকনবা নোংজু চুবনা পিখিবা এল্টিমেটম অদু হন্দোক্তুনা থবক হৌনবা চয়োল অনিগী মতম য়ৈথোক্লে হায়রি।

পিখিবা মতম অদুদা লম্বী শেম্বগী থবক হৌবগী খুদম চাংদম অমত্তা ফংদবগা লোয়ননা মরি লৈনবা দিপার্টমেন্ট অমসুং কন্ট্রেক্টরগা ঈ-পাউ ফাওনবা ঙমখিদে। মরম অদুনা পি এম জি এস ৱাই দিভলপমেন্ট কম্মিটিনা মখা তাবা খোঙজং পায়খৎলকপনি।

মতম চানা হায়নবা য়াদবা মওংদা লৈবগী মহুত্তা ইকাই খুম্নদবগী মওংদা কম্মিটিনা হায়বা ৱাফম অমত্তা নাচুংদনা লৈরবদি মদু কম্মিটি, খুল অমসুং মীয়ামদা ইকাইবা পীবনি হায়না লৌগনি হায়রি।

থাং-তা দে পাংথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৫ ঃ

থা অমা চুপ্না চথরিবা থাং-তাগী নুমিৎ হায়বদি থাং-তা দেগী শরুক অমা ওইনা ঙসি ১০ নি চনবা নুমিত্তা থাং-তা ওবজার্বেসন কম্মিটিগী মীৎয়েং মখাদা সেক্তাদা লৈবা ইটরনেল স্প্রিং ইংলিস স্কুলদসু থাং-তা দেগী থৌরম ঙসি স্কুল অদুগী কেম্পসতা পাংথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ওবজার্বেসন কম্মিটিগী মেম্বরশিং, কিমাক্সকী থৌপুবশিং অমদি স্কুলগী মহৈরোয়শিংগা পুন্না চথখি। থৌরম অদুদা মহৈরোয়শিংনা লম-তু শিৎ শেংবগা লোয়ননা উ চারশিংসু থাখি। কোবিদ-১৯ গী এস ও পি ঙাক্লা চথখিবা থৌরম অদুদা স্কুলগী প্রিন্সিপাল এল রাঘুমনিনা ইপা ইপুনা থম্বিরম্বা মহৈ কাংলোন কয়া মুৎশিল্লকপগী অকিবা লৈ হায়খি।

কৈথেলদা রোষ্টর চৎনহনসি

ককচিং, ওক্টোবর ২৫ ঃ

ওল ককচিং ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (অকসু) গী সেক্রেটরি জেনরেলনা থাদোরকপা চেরোল অমদা ককচিং কৈথেলদা হান্না চৎনরম্বা এ-বি গী সিষ্টেমগী রোষ্টর চৎনহনসি হায়রি।

হৌজিক হৌজিক ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা কোবিদ-১৯ গী লায়চৎনা লেপ্পা লৈতনা হেঙ্গৎলক্লিবা অদুগা লোয়ননা খা মাইকৈদা চাউরবা কৈথেল ওইরিবা ককচিং কৈথেলসু কোবিদ-১৯ গী হোটস্পোট ওইরকপা য়াবগী ফিবম লৈরক্লি। ফিভম অসি য়েংলগা ককচিং কৈথেলদা তোঙান তোঙানবা মখলগী করবার তৌরিবা মীওইশিংনা হান্না চৎনরম্বা এ-বি সিষ্টেমগী রোষ্টর অদু মখা তানা মতম খরগী ওইনা চথনবা ওল ককচিং ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন অমদি ককচিং খুন্নাই চাউখৎহনবা লুপকী মাইকৈদগী আপিল তৌরি।

চেরোল অদুনা মখা তাখিবদা করিগুম্বা টোটেল লোকদাউনগী তঙাইফদবা লৈরক্লবদি হৌজিক লৈরিবা গভর্নমেন্ট অসিগা তান্নদুনা মখা তাবা থবক চথগনি। হৌজিক এন ঐচ-২ দা লেন্দস্লাইট থোকপদগী নোংমগী চংদ্রবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং পুশিল্লকপা য়াদনা লৈরিবা অসিদা খুদোংচাবা লৌদুনা ককচিং কৈথেলদা দুকান ফম্লিবশিংনা পোৎ-চৈগী মমল হেঙ্গৎনা য়োন্দনবসু খংহল্লি।

মেরিট এৱার্দ পীখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৫ ঃ

অৱাং সেকমাই সেদ্যুল কাষ্ট দিভলপমেন্ট কম্মিটিনা ঙসি অৱাং সেকমাই কৌজেংলৈমা কম্ম্যুনিটি হোলদা ১৮ লক শুবা মেরিটোরিয়স এৱার্দ ফঙ্কসনগী থৌরম পাংথোকখ্রে।

থৌরমদুদা সি বি এস ঈ, বোসেম অমদি কোসেমনা লৌবা ক্লাস টেন অমদি টুয়েল্বকী এগজামদা অৱাং সেকমাইগী ফার্ষ্ট দিভিজন অমদি টোপ্পর ওইবা মহৈরোয়শিংদা এৱার্দ পীখিবনি। ক্লাস টেন অমদি টুয়েল্বকী মহৈরোয় ৭০ দা এৱার্দশিং পীদুনা পুক্নিং থৌগৎখি। থৌরম অদুদা কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট কেঐচ সুরজমনি সিংহনা থৌরম অদুনা হৌরক্লিবা মহৈরোয়শিংবু থৌগৎপা অমদি অফবা কেরিয়ার অমা শেমগৎপদা তেংবাংবা ওইনা পাংথোকপনি হায়খি।

কোবিদ-১৯গী এৱার্নেস পাংথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৫ ঃ

কোলিজন এগেন্টস দ্রগস এন্দ অলকোহল (কাদা)না কোবিদ-১৯ গী মতাংদা চথরকপা এৱার্নেস প্রোগ্রামগী শরুক অমা ওইনা ঙসি ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী ককচিং খুনৌ কম্ম্যুনিটি হোলদা কাদা ককচিং দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি, চজিং খুনৌ মৈরা পায়বি অমসুং থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট য়ুনাইটেদ দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (থৌবাল ইমা) গা পুন্না খুৎশম্নদুনা এৱার্নেস প্রোগ্রাম অমা ফিজিকেল দিষ্টিন্সিং ঙাক্লা পাংথোকখ্রে।

এৱার্নেস প্রোগ্রাম অদুদা কাদাগী প্রসিদেন্ট হিজম প্রিয়োকুমার, এগজিক্যুটিব মেম্বর অবুজম পিশক, কাদা ককচিং দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট সোরোখাইবম নেনা অমসুং সোসিয়েল ৱার্কর হুইদ্রোম দেবেন্না প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমগী ৱাঙাংলোই ওইনা কাদাগী ভাইস প্রসিদেন্ট দিপানজিৎ নিংথৌজমনা ৱাফম কয়া ফোংদোকখি। মহাক্না হায়খিবদা চাইনাগী ব্রুহান্দগী হৌরকখিবা কোবিদ-১৯ গী লায়চৎসি মালেমদা শন্দোরক্তুনা লমদম অসিদসু কম্ম্যুনিটি স্প্রেদকা তাংকক য়ৌরক্লে হায়খি।

পাংথোকখিবা এৱার্নেস প্রোগ্রাম অদুদা শরুক য়াখিবা মীওই খুদিংমক্তা ফেস মাস্ক য়েন্থোকখি অমসুং ফেস মাস্ক করম্না উপকনি হায়বগী মতাংদা শন্দোক্লা তাকখি।

এন্ট্রান্স এগজাম পাংথোক্কনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৫ ঃ

মনিপুর য়ুনিভর্সিটিগী দিপার্টমেন্ট ওফ ফিলোজোফিনা থাদোরকপা চেরোল অমদা একাদেমীক সেসন ২০২০-২১ গী এম এ প্রোগ্রাম ইন ফিলোজোফিদা মিং চন্নবগী এন্ট্রান্স এগজাম ওক্টোবর ২৬ তা পাংথোক্কনি হায়না তৌরম্বদু নম্বেবর ২ গী অয়ুক পুং ১১.৩০ তাবা মতমদা মনিপুর য়ুনিভর্সিটিগী হ্যুমেনিটিজ ব্লোক্কী দিপার্টমেন্ট ওফ ফিলোজোফিদা পাংথোক্লগনি। মতম য়ৈথোরকপা অসি লুপ খরনা ওক্টোবর ২৬ তা ষ্টেট পুম্বগী ওইনা পুং ৪৮ গী বন্দ কৌখিবননি। দিপার্টমেন্টনা লৌরিবা ৱারেপ অসিনা মহৈরোয়শিংগী য়েংলগা মখোয়না এগজাম য়াওবা য়ান্নবনি।

[illegible]